ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 2, Issue 074 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফাল, থৱান ১৩ নি পানবা, য়ুমশকৈশা, অগষ্ট ২৬,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-


## এফ আই আর লৌখৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি) ঃ** ইমাগী মৈরাগী প্রসিদেন্ট টিঐচ সুজাতানা মীয়াম তিনবা মীফম অমদা তাবা নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকই অমসুং মহাক্কী ৱাফম অদুনা মীয়ামদা অকায়বা ওইহল্লে হায়না হৈরোক এসি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ থোকচোম রাধেশ্যামগী মনাওনুপা থোকচোম সনাথোইনা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা অইবা চেরোল অমনা পীশিন্দুনা কমপ্লেইন্ট তৌরকখ্রে। হৈরোক পুলিস ষ্টেসনসু কমপ্লেইন্ট অদুগী মতুং ইন্না সুজাতাগী মথক্তা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

## নম্পালনা শৌগৎকনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি) ঃ** এন আর সি পাঙথোক্তুনা খাংঙুথক্তা মপাল লমদগী চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিং খন্দোকউ হায়না অমুকো, অমাৱোভা, পোইরৈ লৈমরোল, এম এস এফ অমদি কোহরনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা লেপ্পা লৈতনা শৌগৎকনি হায়না নম্বোল এরিয়া মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (নম্পাল) অমদি ওল মণিপুর ৱিমেন্স ভলন্টরি এসোসিয়েসন (অমাৱোভা), সাইতোন য়ুনিটনসু শৌগৎকনি হায়না লূপশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা থাদোরকপা চেরোলশিংনা হায়রি।

## উ চরা থাখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ঃ** এসোসিয়েসন ওফ এম এস এ পি এলুমনি মণিপুর অমসুং অৰ্ব্বান সোসাইটি ট্রষ্ট, ইম্ফালনা মণিপুর সরকারগী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগা খূৎশম্নদুনা চৎলিবা কুমজা ২০২৬ কী পরিং নাইনা চত্থরকপা উ পাম্বী থাবগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ইন্দিয়াগী ইহান হানবা ওইনা তবুংখোক্তা চহী অসিগী মে ৩১দা হৌদোকখিবা নিংঙোল ভেনদুগী তরেৎ শুবা অমসুং চহী অসিগী অরোইবা উ পাম্বী থাবগী দ্রাইভ ঙসি কোইরেঙ্গৈ মাইবখুলদা লৈবা অৰ্ব্বান সোসাইটি ফার্ম হাউস অমদি মসিগী অকোয়বদা উ চরা ২০০ রোম থাদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম এস এ পি এলুমনিগী প্রসিদেন্ট প্রোঃ টি ঐচ অশা সিনহা (রিটয়াদ) অমসুং অৰ্ব্বান সোসাইটি ট্রষ্টকী প্রসিদেন্ট প্রোঃ থাংজম রঞ্জিৎ (রিটয়ার্দ)নচিংবা শরুক য়াখি।

## গোবিন খল্লক্লে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি) ঃ** চহী অসিগী ওইনা ওঝাশিংগী নুমিৎতা এৱার্দ পীগদবা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদগী ওঝা ৪৮ খনগৎপগী মনুং মণিপুরদগী ৱাংলেনবম গোবিন সিংহ য়াওরে। মহাক লাইকোন অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হৌজিক হৌজিক ওঝা ওইরি হায়রি।

### হয়েংগী নোংদম

২৭।০৮। ২০২৬

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ - অনিংবা অপাম্বা কয়া থুংজবা, মিংচৎ ফংজবা, মীগী মতেং ফংবা পীরি।

বৃষ - থবক তৌবদা কান্নবনা হেন্না, সনা লূপা লৈতেংগী পোৎলম লেপশিনবা ঙমজবা পীরি।

মিথুন- য়েৎনবা থবকশিং লৈখায় তাবা ঙম্লগনি। লম তু কোয়বা ফংজবা শাগৈ চাউথোক্লগনি।

কর্কট- থবক শু-নোম্বদা কান্নবা ফংবা, মীগী মতেং মপাল ফংবা, লম-তু লৈশিনবা ঙম্বা পীরি।

সিংহ- খূৎতা শেল ৱাৎতবা মতমনি। ঙাংবা শকপদা মীনা তাবীবা মতমনি।

কন্যা- শেল ফংবা য়াবা লম্বী লৈগনি। চাবা থকপা হাওবা, হকচাং নুংঙাইবা মতমনি।

তুলা- থবক তৌবদা অয়েৎ-অপন মায়োক্লবা, লন-থুমগী মরমদা নিংঙাই শংদান্নরবা য়াই।

বৃশ্চিক- মীয়ামগী থবক থৌরম পাঙথোকপা য়াবা মতমনি। মচাক মরল চাউথোক্লবা য়াই।

ধনু- ইশানা তৌজবা শিনফমদা কান্নজবা ফংগনি। লম-তু, অরাপ্পা কোয়বা চৎকনি।

মকর- থবক তৌবদা মহয় লীক্লা ফংবা পীরি। লন-থুম, অরু অপান মাঙবা য়াবা মতমনি।

কুম্ভ- মীগা পুন্না থবক তৌমিন্নবদা শেন্দোং ফংবা, মায় পাক্কনি। হকচাংদা তাং তাং চিক্কনি।

মীন - থবক তৌবদা কান্নজবা ফংবা, তৌজবা শিনফমদা মীনা শিংথাবীবা পীরি।

# মণিপুরদা মীকোক থীবগী থবক মতম খরা য়ৈথোক্লবা য়াবগী থাজবা লৈরেঃ সোর্স

## অমিট শাহ ওক্টোবর থাদা মণিপুরদা লাক্কনিঃ চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬ (ৱায়েল কাতি)ঃ অথু-অকায়গী ওইনা য়ূনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দ লাক্লনবা খঙহল্লক্লবা মতুংদা ঙসি নুংথিল পূং ৩ঃ ৩০ তাবদা মখোয় ২ উন্নখ্রে। উন্নবদুদা অমিট শাহনা চীফ মিনিষ্টর মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি।



থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না, মণিপুরগী মীয়াম্না নো এন আর সি, নো সেন্সস হায়বা দিমান্দ অসিগী মতাংদা মণিপুরগী লূচিংবা কয়াগা য়ূনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ৱারী শান্নখিবা লৈখ্রে। অথুবা মতমদা মণিপুর খক্কী ওইনা সেন্সস য়ৈথোক্লনবা এম ঐচ এনা ওর্দর অমা থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে হায়না পাউগী সোর্স অমনা হায়রি। অদুমকপু ৱাফম অসিগী মতাংদদি মণিপুর লৈঙাক্তগী করিগুম্বা পাউখুম অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি।

ওক্টোবর থা হৌগৎলকপদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাক্তুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ অমা শানবগী উরেপ উয়ুং তম্লগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট কেবিনেটনা হন্দক্তা সেনাপতিদা অনৌবা মেদিকেল কোলেজ অমা শানবা ৱারেপ লৌবা লৈখ্রে। ন্যু দিল্লিদা লৈবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী ওফিসিয়েল রেসিদেন্সতা ঙসি নুংথিল পূং ৩ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদ ৱাফম কয়া পুখৎতুনা পাউদমখি। ৱারোল পুম্নমক মূন্না তারবা মতুংদা য়ূনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়রি।

নেস্লেল হায়ৱে-টু, ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি লম্বীদা ষ্টেট লৈঙাক্লা বস সার্ভিস হৌদোক্তুনা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং চৎথোক চৎশিন য়াহনবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি নুংথিল পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স অমসুং লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফিয়ার্স য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগা উন্নদুননা মণিপুরগী মতাংদা কূপ্না ৱারী শান্নখ্রে।

# চূড়াচান্দপুরদা দেঙ্গি, তাইফোইদনা মী শিবা য়াওরকপদগী মীয়াম্না মীপাইনরে

## চূড়াচান্দপুরগী মহৈশঙশিং ওগষ্ট ৩০ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে

ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬ (ৱায়েল কাতি)ঃ চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা দেঙ্গি, তাইফোইদ অমসুং হেন্দ, ফুট এন্দ মাউথ দিজিজগী কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মহৈ তম্ফম লোইশঙ পুম্নমক চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট প্রাইভেট স্কুল, এন্দ কোলেজেজ এসোসিয়েসননা ওগষ্ট ৩০ ফাওবা ছুতি থাদোকখ্রে।



এসোসিয়েসন অসিগী মীহুৎশিংনা দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসারগা পূন্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা মহৈরোয়শিং অমসুং ষ্টাফ পুম্নমক খূদোংথিবা নংহন্দনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদশিং দেঙ্গিগী কেস মশিং লেপ্তুনা হেঙ্গৎলকপদগী দেপ্যুতি কম্মিস্নর কৃষ্ণকুমারনা তুইবোংদা লৈবা মিনি সেক্রেটরিয়েটতা ইমর্জেন্সি মিটিং অমা কৌরদুনা লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা এদিস্নেল দেপ্যুতি কম্মিস্নর লালরোবুং ফিমাতে, চীফ মেদিকেল ওফিসার সোখোঙম বাইতে, চীফ মেদিকেল ওফিসার পিঐচ হেনখোমে মাতে, মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ কে ঐচ সনিয়া মোনিকা, জোনেল এদুকেসন ওফিসার এষ্টর চেনৈকিমসু শরুক য়াখি।

নৌনা শন্দোক্লিবা লাইচৎ অসিদগী ঙাক্লবা স্কুল, কোলেজ অমদি খুঙ্গং পূমনমক্তা পাক-শন্না এৱার্নেশ পাঙথোক্লবা সি এম ও অমদি জেদ ই ওদা খঙহনখিবগা লোয়নন্না রেসিদেন্সিয়েল এরিয়াদগী মিটর ১০০ না কোনবা মফমদা কাঙ মরূম কোকহন্দনবা থৌরাং লৌখৎনবগী মতাংদসু মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না চূড়াচান্দপুরদা দেঙ্গিগী কেস ৭৫০ হেনখিবগা লোয়নন্না মীওই ২ লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লিলি লিংবোইনিয়াং কৌবী নুপী অমা দেঙ্গিনা মরম ওইরগা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী আই সি য়ুদা লৈখিদ্রে। ওগষ্ট ২২দসু মশাগী চহী ১৩ শুবদা ঙাইরিবা ন্যু লমকাগী ভালভেংদগী মহৈরোয় অমা দেঙ্গিনা মরম ওইরগা শিখি।

অমরোমদা, দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেস মণিপুরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না, হৌখিবা ২৪গী মনুংদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দেঙ্গিগী অনৌবা কেস ৬ থেংনরে। ইম্ফাল ইষ্টতা মীওই ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা মীওই ৩, বিষ্ণুপুরদা ১ অমসুং উখ্রুলদা মীওই ১ নৌনা পোজিটিভ ওইরকখি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরগী ওইনা দেঙ্গিগী অপূনবা কেস ২২৮ শুরে। চূড়াচান্দপুরদা মীওই ২ দেঙ্গিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না এজেন্সিগী রিপোর্টতা ফোঙদোরকখ্রবসু দাইরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্ভিসেসকী রিপোর্টতদি হন্দক চহীগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা কেস ১০৫ শুখ্রবসু লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মী শিবগী রিপোর্ট ৱাফম অমত্তা পল্লকপা লৈত্রি।

#### মপাল্লমগী পাউ

## নেপালদা নোংচুপ্পন ঈচাও থোরকপদা মীওই ৮ শিরে, ৫০০ হেন্না মাঙখ্রে

কাথমন্দু, অগষ্ট ২৬ (ৱায়েল কাতি)ঃ নোং চুদ্রবসু টিবেটতগী চেন্থরকপা ঈশিংনা নেপালদা খঙহৌদনা ঈচাও থোরকপদা মীওই ৮ হেন্না শিরে, ইন্দিয়া ১০৫ য়াওনা মীওই কয়ামরুম থিবা খঙদনা লৈরি। ভোটে খোসি তুরেলদগী পাথোরকপা ঈশিংনা নুৱাকোদ অমসুং ধাদিং দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অয়াম্বা ঈশিং থুমজিনখি। সেন্ত্রেল পুলিস স্পোক্সপার্সন দেপ্যুতি ইন্সপেক্টর জেনরেল অভিনরায়ানগী ৱারোল পল্লদুনা নেপাল ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়, হৌজিক ফাওবদা নুৱাকোদ অমসুং ধাদিং দিষ্ট্রিক্টতগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ৮ ফংবা ঙম্লে। নেপাল টুরিজম বোর্দকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মপাল লৈবাক্কী মীওই ২৯১ অমসুং নেপালি ৯৩ য়াওনা লম কোয়বা লাকপা মীওই ৩৬৪ থিবা খঙখিদ্রে। থিবা খঙখিদ্রবশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া মচা ১০৫ য়াওরি। রাসুৱা দিষ্ট্রিক্টতা নেপাল পুলিসকী পার্সনেল ৩৬ অমদি আর্মর্দ পুলিস ফোর্সকী পার্সনেল ৭ থিবা খঙখিদ্রে। নেপাল আর্মিনা হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপা হৌরে।

## পাকিষ্টানগী হোস্পিটালদা এসি কমপ্রেসর পোকখায়বদা পীক্লিবা অঙাং ১৫ শিরে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি)ঃ পাকিষ্টানগী কেপিটেল সিতি ইস্লামাবাদতা লৈবা পাকিষ্টান ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসকী গাইনিকোলোজি ৱার্দতা মৈ চাকখৎলকপদগী পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং ১৫ শিরে। এসিগী কমপ্রেসর অমা ঙসি অয়ূক অঙনবদা পোকখায়রকপদগী মৈ চাকখৎলক্তুনা অঙাং ১৫ শিখিবনি। অঙাং অমদি কনবা ঙমহৌরে। হোস্পিটালগী ৩শুবা মথোলদা লৈবা গাইনিকোলোজি ৱার্দতা ফয়ার ফাইটরশিংনা থোঙনাও মিংশেল থুগায়রগা মৈ মুত্থৎনবা হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসিয়েলশিংনা জিও ন্যুজতা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ফমুং ১৫৬ থাবা মেটরনেল এন্দ চাইল্‌ঠ হেল্‌ঠ ৱার্দতা এসি কমপ্রেসর পোকখায়রকপনা মফম অদু তূম্না মৈ চাকখি। থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা এদিস্নেল দেপ্যুতি কম্মিস্নরনা লূচিংবা ইনক্বারি কম্মিটি অমনা থিজিনবা হৌখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর সাহিবাস সারিফনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## ২০২৯গী জুনদা ইম্ফালনা নেস্লেল রেলৱে মেপতা য়াওবা অৱাং নোংপোক্কী মঙাশুবা কেপিটেল সিতি ওইরগনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ৱায়েল কাতি) ঃ** কুমজা ২০২৯গী জুনদা ইম্ফালনা নেস্লেল রেলৱে মেপতা য়াওবা অৱাং নোংপোক লমদমগী ৫শুবা কেপিটেল সিতি ওইরগনি।

নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কুমজা ২০২৯গী জুন্দা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবা অনৌবা রেল লম্বী কম্মিসন তৌরগনি। লুপা ক্রোর লিশিং ২২ চঙনা পায়খৎপা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী কিমি ১১১ শাংবা রেল লম্বী কুমজা ২০২৯দগী মপুং ফানা শীজিন্নবা হৌরগনি। অসামগী কোনুং দিসপুর, ত্রিপুরাগী অগরতালা, অরুনচল প্রদেশ ইটানগর, মিজোরামগী কোনুং আইজোলদি মাঙজৌননা নেস্লেল রেলৱে মেপতা য়াওখ্রবনি। অৱাং নোংপোম লমদমগী ওইনা রেলৱে লম্বী শেমগৎপদা খ্বাইদগী খূদোংচাদবা মায়োক্লরিবসি জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী লম্বী পরিং অসিনি।

চীংলক্তা ত্রেন লম্বী শেম্বগা লোয়নন্না টর্নেল কয়া হূৎ অমসুং থোং শাবদা মতম কা হেন্না চঙখি হায়না ওফিসিয়েল অদুদা আই এ এন এসতা ফোঙদোকখি।

নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টরিয়র রেলৱেগী জেনরেল মেনেজর (কন্সট্রক্সন) অসিস বনশালনা হন্দক্তা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবা রেল লম্বী শেমগৎপগী শরুক অমা ওইনা জিরিবামদগী খোঙশাং, খোঙশাংদগী অৱাং খুল অমসুং অৱাং খুলদগীনা ইম্ফাল ফাওবদা পায়খৎলিবা রেল লম্বী শেম্বগী থবক থৌরমশিং কূপ্না য়েংশিনখি। অথুবা মতমদা কম্মিস্নার ওফ রেলৱে সেফটিনা খোঙশাংদগী অৱাং খুল ফাওবদা শেমগৎলিবা রেল লম্বীগী ফীভম য়েংশিন্নবা থৌরাং তৌরি।হন্দক্তসু জেনরেল মেনেজরনা টর্নেল নম্বর ২৮ অমসুং ১২গী ফীভম য়েংশিনখিবগা লোয়নন্না অপীবা মতমগী মনুংদা রেল লম্বী শেম্বা লোইশিন্নবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখি।ইম্ফাল ফাওবা শেন্লিবা রেল লম্বী অসিগী পরিংদা টর্নেল ৫৪ লৈ হায়রি।

## গাড়ী ১৯দা পেসেঞ্জর ২৬৮ ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নেস্লেল হায়ৱে-টু ইম্ফাল-দিমাপুর-গুৱাহাতি লম্বীদা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সার্ভিস হৌখিবগী ৫ নি চনবা নুমিৎতা ঙসি গাড়ী ১৯দা পেসেঞ্জর ২৬৮ ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

অয়ুক পুং ১০ঃ১০ তাবদা বস ৫, ৱিঙ্গর ৫ অমসুং স্কোপিও। বোলেরো ৯ ইম্ফাল থাদোকখি।হিরম অসিগী মতাং ইন্টর ষ্টেট টেক্সি এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি লাইশ্রম ভোনিলালনা হায়, মতম কুইরবগী মতুংদা অনৌবা লৈঙাক অমসুং ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা এন ঐচ-টুদা পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সার্ভিস হৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি তরাম্না ওকফম থোকই। থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীওই কয়াদা চাউনা খূদোংচাবা ফংহল্লগনি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা য়াওখিবা খোইরোম বিনোদিনি কৌবা পেসেঞ্জর অমনা হায়, কোহিমাদা থবক তৌবা অঙাংশিং উন্নরুনবা বস তোংদুনা চৎপনি। হান্নদি লম্বী পরিং অসিদা গাড়ী তোংদুনা চৎপা য়ারমদবনা শেল কা হেন্না চৎহল্লি। হৌজিক্তি শেল ইচঙ চঙদনা অতেনবা মতমগী মনুংদা চৎথোক চৎশিন তৌনবগী খূদোংচাবা ফংলে।

ৱাংজিংদগী ব্রজকিশ্বর কৌবা অতোপ্পা পেসেঞ্জরনা হায়, কাঙলূপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহী ৩ হেন্না লম্বী অসি চৎপা ঙমদনা লৈরম্বদু অনৌবা লৈঙাক লাকপদগী লম্বী পরিং অসিদা খূদোংথিবা য়াওদনা চৎপা ফংলে। হান্নদি ফ্লাইটতা লূপা লিশিং ৮ রোম তিংল্লম্মী। হৌজিক্তি শুপ্নগী লিশিং ১দা হন্থহল্লে হায়খি।

## ওগষ্ট ৩১দা মীয়ামগী খোল্লাও পুবা অচৌবা খোঙচৎ চৎলগনিঃ তাকদাল

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি)ঃ** চীংলৈপাক মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও, ঈশিং নুংশিৎতা চহী লিশিং কয়া পূন্না হিংমিন্নদুনা অমদি কম্যুনিতি অমনা কম্যুনিতি অমগী ত্রেদিসন, কলচর আইদেন্টিটিবু ইকাই খূম্নদুনা পূন্না হিংমিন্নদুনা লৈরক্লবা ফুরুপশিংগী অপূনবা মীয়াম খোল্লাও পুবা অচৌবা খোঙচৎ অমা লাক্লিবা ওগষ্ট ৩১ দা চৎলগনি হায়না থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট অপূনবা লূপ (তাকদাল)গী কনভেনর দব্লিউ জোতিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর হায়বসি মৈতৈ খক্লা, নাগা খক্লা, মৈতৈ পাঙল খক্তনা ওইবা য়ারোই। মণিপুরদা ইঠনিক লাইনদা দিমান্দ তৌবা অমদি ঈহৌ চঙশিনবা হায়বসি হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম অসিদা খক ওইথোক্লোই। মরম অসিনা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা ইন্দিজিনসশিংগী লাইফ, প্রোপর্টি ঙাকপীবগী মহূৎতা য়েলহৌমীশিং মুত্থৎনবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং পুশিল্লক্তুনা প্রোক্সি ৱার চত্থরব্রা হায়বগী চীংনবা লৈরে হায়রি।

## এন আর সি চৎনহন্নবা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা শৌগৎকনি

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি)ঃ** লমদম অসিগী মীয়াম্না অমদি লূপশিংনা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি হান্না তৌগদবনি অমদি আই দি পিশিং মশা মশাগী ময়ূম ময়ূমদা হঞ্জিনহনগদবনি, লমদম অসিদা ঙল্লিঙৈদগী নুংশি চান্নবা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কাঙলূপশিং অমগা অমগা চঙথোক চঙশিন য়ান্নরবা অমদি নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরবা মতমদা সেন্সস তৌবীয়ু হায়বা দিমান্দ অমদি খোঙজং অসি অচূম্বা খোঙথাংনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা অমুকো, অমাৱোভা, পোইরৈ লৈমরোল, কোহর অমদি এম এস এফনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা এম এস এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শৌগৎকনি হায়না এম এস এফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম শ্যামসুন্দরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মখা তানা হায়, লূপনা হৌখিবা ওগষ্ট ২০ দা এন আর সি পাঙথোক্তুনা খাংঙুথক্তা মপাল্লমদগী চঙশিল্লকখিবা মীতোপশিং খন্দোকউ হায়দুনা ওনরেবল প্রাইম মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর, মণিপুরগী গভর্নর অমদি চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লৈখে হায়রি।

## 'ঈরৈবাকপু ঙাক শেনবা হায়বসি মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক ১ লৈরবতদা ওইথোক্কনি'

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি)ঃ** ঈরৈপাকপু হিরম খূদিংমক্তা ঙাক শেনবা হায়বসি ঈরৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী মপাঙ্গল কনবা মতিং লৈনা লৈঙাক্লবা মতমদুখক্তদা ওইথোক্কনি। অদুবু ঙসিদি ঈরৈবাক অসি তং-তাদবা মরেল অমদা মতম শাংনা হিংদুনা লাক্লে। ফীভম অসি মণিপুরদা খুন্দা লৈতারিবা কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীয়ামগী অপাম্বা অমত্তা লৈতে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মখা তানা হায়, তং-তাদবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা হায়বা অচৌবা পল অমা শাগৎতুনা ঙসিদি কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা মচোই মচোই তাহন্দুনা হিংহন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অমা অরোনবা পোলিসি অমা তৌদুনা লৈরে। অতোপ অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়ূম্লোন্নবা মফম অমা ওইরিবা মণিপুর অসি লৈঙাক্লা ঙাক শেনবা ঙমদবদগী ঙসিদি মীতোপ মীয়ানচা ময়াম অমা চঙশিল্লক্তুনা খুন্দা লৈতাশিনখিবদা নত্তনা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইবা অমদি খূদোংচাদবা খূদিংমক ফংবা হায়বদু ওইখ্রে হায়রি।

# অঙাংদা লোক খূবা ফনবগী হীদাক মখল খরা পীথকপা থিংখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি) ঃ** হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবগা লোয়নন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মচল য়াওবা মরমনা চহী শুদ্রিবা অঙাংশিংদা লোক খুবা ফনবগী হীদাক মখল খরা পীথকপা থিংখ্রে।




লৈঙাক্লা লৌখৎপা খ্বাইদগী নৌবা থৌরাং অমগী মখাদা ক্লোরফিনিরামিন মেলিয়েট অমসুং ফিনাইলইফ্রিন হাইদ্রোক্লোরাইট য়াওবা ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সি)গী হীদাকশিং চহী ৪ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা পীথক্লোইদবনি হায়না সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা অথিংবা থমখিবনি। এক্সপার্ট কম্মিটি অমসুং দ্রগস টেক্নিকেল এদভাইজরি বোর্দনা পীরকপা রেকমেন্দেসনগী ৱারেপ মতুং ইন্না লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। লোক থুংবা অমসুং লোক খূবা ফনবগী হীদাকশিংদা হায়রিবা মচল অনী অসি য়াওরবদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা খূদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়রি। মমাঙদসু সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা লোক থুংবা অমদি খুবা ফনবগী হীদাক্তা মরী লৈননা চেকশিন ৱারোল কয়া পীবা লৈখ্রে। কফ সিরপ মখল খরদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মচল খরা য়াওবদগী হীদাকশিং অদু থক্লুবদা চহী নৌরিবা অঙাং খরা শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা ডাক্তরগী পাউতাক য়াওদ্রবদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা লোক্কী হিদাক অমত্তা পীজদনবা অকনবা চেকশিন ৱারোল পীখি।

লৈঙাক্লা খ্বাইদগী নৌনা থোরক্লিবা ওর্দর অসিদা অঙাংশিংগীনি হায়না পুথোরকপা লোক খূবা ফনবগী হীদাক মখল পুম্নমক থিংবা লৈতে। ক্লোরফিনিরামিন মেলিয়েট অমসুং ফিনাইলইফ্রিন হাইদ্রোক্লোরাইট য়াওবা ফিক্স দোজ কম্বিনেসন (এফ দি সি) খক্তমক চহী ৪ শুদ্রিবা অঙাংশিংদা পীথক্লোইদবনি। হায়রিবা হীদাক মখল অসি শুংবা য়োনবা অমসুং শীজিন্নবা খূদক্তগী অথিংবা থল্লে। লোক থুবদগী নাতোন ফুনবা নাতোন মহী চেনবা, হাকথি খনবা অমসুং লোক খুবনচিংবা ফহন্নবনি হায়দুনা মমা মপা ওইবশিংনা মনাক নকপা ফার্মাসিদগী হীদাক অমা হেক্তা লৈরগা পীথকপগী হৈনবী লৈবা মরমনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা খূদোংথিবা থোরকপা য়াই খনবদগী হায়রিবা হীদাক মখলশিং অসি খূদক্তগী অথিংবা থমখিবনি।

কুমজা ২০২৫দসু লৈঙাক্লা ফিক্স দোজ কম্বিনেসনগী মতাংদা ওর্দর অমা থোকখিবগা লোয়নন্না চহী ৪শুদ্রিবা অঙাংশিংদা লোক খুবা ফনবগী হীদাক পীথকপগী মতাংদা চেকশিন- ৱারোল পীখি। থৌরাং অদুগী মখা চত্থরকপা ওইনা খ্বাইদগী নৌবা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মচল অনী য়াওবা লোক খুবা ফনবগী হীদাক মখল খূদিংমক শুংবা, য়োনবা অমদি শীজিন্নবা থিংখিবনি। ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ওর্গনাইজেসননসু ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা লোক থুংবা অমদি খুবা ফনবগী হীদাক মখল খরদা খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মচল খরা য়াওবগী চেকশিন ৱারোল পীরকপা লৈখ্রবনি।

## ত্রিপুরাদা 'ইমালোলগী কুম্হৈ মণিপুরী লেংগ্বেজ ফেষ্টিভেল ২০২৬' পাঙথোক্লগনিঃ পি এ দব্লিউ এফ

**ইম্ফাল ওগষ্ট ২৬(ৱায়েল কাতি) ঃ** পেত্রিওটিক্স রাইটর ফোরম, ত্রিপুরা অমদি মণিপুর অনী খূৎশম্নরগা লাক্লিবা ওগষ্ট ২৯, থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পূং ৩ তাবা মতমদা মুক্তাধরা ওদিটোরিয়ম, অগরতালা, ত্রিপুরাদা ৩৫শুবা ইমালোলগা মরী লৈননা 'ইমালোলগী কুম্হৈ মণিপুরী লেংগ্বেজ ফেষ্টিভেল ২০২৬' ৱাঙ্খৈ এসিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না ত্রিপুরাদা খুন্দারিবা মণিপুরীশিং মরু ওইনা মৈতৈ ইচিন ইনাওশিংগী অখন্নবা পূঙ, ঈশৈ, জগোয় অমদি ম্যুজিকেল কন্সর্টকী থৌরমসু পাঙথোক্কনি। ইমালোন শৈথাবা অইবা অইবীশিংগী অখন্নবা শৈরেং পাঙথোকপা, ফোরম অসিগী গুৱাহাতি, অসাম ব্রাঞ্চকী মেম্বর মোইরাংথেম রাজকুমারনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক ' অহিংবা মীতম' ফোঙবা অমদি অতৈ নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা পি এ দব্লিউ এফ, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নাওরোইবম খম্বা লূৱাং অমদি পি এ দব্লিউ এফ, ত্রিপুরাগী পেত্রোন মেম্বর ডাঃ অনুরাধা নোংমাইথেম অনীনা পূন্না প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াগনি। লোয়নন্না পি এ দব্লিউ এফ মণিপুরগী ফোর্মর প্রসিদেন্ট এন্দ পেত্রোন মেম্বর য়াইস্কুল খ্বাইরাকপম, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ত্রিপুরাগী প্রসিদেন্ট এল বিরমঙ্গল সিংহ অমদি ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা অইবা অমদি স্কোলার ৱাঙ্খেম বিরমঙ্গলনা পূন্না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

ওগষ্ট ২৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগী মাঙওইননা ঙসিদগী ফেষ্টিভেল অসিগী পোষ্টর কেম্পেইন হৌদোকখিবগা লোয়নন্না মীতৈ ময়েক্লা চাউনা থাবা পোষ্টরশিং ত্রিপুরাগী মফম কয়াদা থেৎখ্রে। ফোরমগী সেক্রেটরি নিংঙোম্থম প্রন্যানা পোষ্ট কেম্পেইন অদু হৌদোকখি। থৌরম অদুদা পেত্রিওটিক্স রাইটর ফোরম (পি এ দব্লিউ এফ), ত্রিপুরাগী নহা ওইরিবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

# এদিটৌরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফাল, থৱান ১৩ নি পানবা, য়ূমশকৈশা, অগষ্ট ২৬,২০২৬ ইং

## মখোলনা ওটোমেটিক, ফাবনা সিঙ্গল সোট

### ঈং তপ্পা থুগায়বা খুঞ্জাশিংদগী কল্লেক্তিভ ফাইন লৌবা চূম্লে

মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা তমথিরবপা ঈরাংশিং অসি লাকশিন্নবা ফনা কন্না হোৎনজরবসু খুল খরদদি হেক্তমক ঙম্লক্তে। মীয়াম অদু লৈবাক অসিগী সিটিজন ঙাক্তা ওইবনিনা লৈঙাক্লসু ঈরাং থোকহল্লিবা কাঙবু অদুদা লোগী ওইবা অকনবা থবক হেক্তমক লৌখৎতে। মদু থৌদোকশিং অদুদা চেন্নরিবা কাঙবু অদুনদি লৈঙাক্কী অশোনবনি হায়না লৌই, মখোয়বু নুংশিবগী তৌরিবনি হায়না লৌদে। অদুবু লৈঙাক্লা মীনুংশিগী মীৎয়েংদা য়ূম্ফম ওইরগা অসুমক থোৎনা নৌনা য়েংবদি য়ারক্তে। ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূন্নমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না খূদোংথিনিংঙাই ওইবা ষ্টেট অসি মণিপুরনি হায়বা লৈঙাকপশিংনা খঙই। মসি করন্না ওইহল্লক্লিবনো হায়বা তারগদি মীচম মীয়ামদা লোনা য়াদবা মখলগী নোংমৈ ময়াম পৈশিন্নদুনা থম্বদগীনি। মসিমক মপুং ওইনা কুকি–জোশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা উবা ফংই। মখোয়গী তমথিরবা এটেকশিংদগী ঙাকথোকচনবা কাঙলূপ কয়ানা নরোলদা নোংমৈ পায়বগী কলচর অমা হৌদোরক্লি। কাঙলূপ খূদিংমক্লা মশাগী কম্মুনিতিগী মীওই, খুল, লন–থুম ঙাক্লনবগীদমক্তা নোংমৈ পায়খৎনরকপসি হেরো অমগুন্না লৌনরকই। মখোয়না মীগী ময়ূম মৈ থারুবা, মী হাৎলুবদা মীয়ান্না পূক্লিং থৌগৎনরকই। তশেংবদি অদুগুম্বা থৌওং অদু লৈবাক অসিগী লোনা য়াবা থবক নত্তে। মীচম মীয়ান্না নোংমৈ পায়বা হায়বসি লৈবাক অসিগী লোনা য়াদে। মসিগী মরমদি নোংমৈ হায়বসি মপাঙ্গল য়ান্না কনবা খূৎলায় মখল অমনি। নোংমৈ অসিগী মতেংনা মীচম মীয়ামবু হোইরগা পুবা ঙম্মী। পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকই। মীওইবগী ফংফম থোকপশিং মখোয়না মৎলি। মীচম মীয়মশিংগী ৱাকৎচনবা মফম লৈতে। কনবীয়ু হায়না হায়জবা ফাওবা ঙমদে। মসিমক্লা চীফ মিনিষ্টর য়ূন্নাম খেমচান্দনা হৌখিবা ওগষ্ট ১২দা নুমিৎ ১৫ নি মতম থাদুনা লোনা য়াদবা মখলগী নোংমৈ খূদিংমক পীখৎলক্কদবনি খঙহনখি। নোংমৈশিং অদু পীখৎপদা অফা–অপূন লৈরোই। লোকেল এম এল এশিংগী খূথাংদা পীখৎকেরা নৎত্রগা পুলিসতা পীখৎকেরা অমা তৌননবা খঙহনখি। মদুগী মতম লোইগদবা ওগষ্ট ২৭ তনি। অসিগুম্বা নোংমৈ পীখৎনবা মতম থাবসি কুমজা ২০২৩ গী সেপ্টেম্বর থাদসু মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনসু হায়খিবা লৈখি। অদুবু মীয়ান্না মখোয়গী ৱাফমশিং অদু য়ান্নরকখিদে। লৈঙাক্লা শোনমনবদগী মীচম মীয়ান্না নোংমৈ পায়খৎনরকপনি হায়না লান্না লৈঙাক্তা ওনশিল্লকখি। অদুবু লো হায়বসি চৎনহন্দবা য়াদে। লোদুবু চৎনহনবা ঙমদ্রবদি গভর্নমেন্ট অমা লৈবগী ৱাহণ্ঠোক লৈতে। মসি ঐখোয় পূন্নমক্লা খঙমিন্নবা চূম্মী।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৪গী নোংয়াই মতুংদা সেনাপতি অমসুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লোন্নবদা লৈবা তাফৌ কুকি ভিল্লেজ, তফৌ নাগা ভিল্লেজতা য়ূম মৈ থাবগী থৌদোকশিং থোক্লকখি। মদুগী মতুং তারকপদা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্নরকখি। নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল অদুদা ওটোমেটিক রাইফলশিংনা কাপ্পগী মখোল য়াওই হায়বা মীয়ান্না খঙই। থৌদোক অদুদা সি আর পি এফকী কন্সটেবল অমা অমসুং ভিল্লেজ ভলন্টিয়র অমা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকখি। নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অদু অয়ূক পুং ৯ খরা হেল্লকপা অদুৱাইদা থোকপনিনা মনাক নকপদসু মণিপুর পুলিস, সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লোইনমক মখোল তাই। মদুগীসু মথক্তা মতম শাংনা কাপ্নরকপনিনা চঙশিন্দুনা নোংমৈ পায়বশিং অদুগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপসু য়ারম্বনি। অদুবু মীয়ান্না খনবনা অমা, অদুগা থবকনা অমা তৌথোরকপা থেংনখি। ঈরাং অদু থোকখ্রবা তুংদা মায়কৈ অদোমদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা কোম্বিং ওপরেসন চত্থখি। ওপরেসন অদুদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ ১৪ ফাগৎখি। নোংমৈ মরূসু ১০০০গী মথক্তা ফাগৎখি। কদায়দগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরূশিং অদু মখোয়না পায়রম্বনো, করম্বা ফেক্টরিদা শাবনো, নোংমৈ মরূশিং অদুনা কদায়দগী পুরকপনো হয়বনচিংবদি কনামত্তনা পাউখূম পীদে। নোংমৈ কাপ্পগী মখোলদনা ওটোমেটিক। অদুগা ফারকপদনা সিঙ্গল বেরেল ঙাক্তা উই। ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা উংখৎনবা হেঙ্গৎলকখি। হান্নদগী হৌনা অমনা অমদা চঙবা ঙন্নদবগী অচৌবা ৱাফম অমা লৈরিঙৈসিদা য়ূম মৈ থাবগী ৱাফমসি অমুক নৌনা থোরকই। মসিনা তাক্লিবদি মায়কৈ অদোমদা নোংমৈ মরাং কায়না লৈ অমসুং ষ্টেট অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈহন্নবা হোৎনবা কাঙবু অমসু লৈ হায়বনি। মণিপুরদা ঙাইহাক লৈতনা য়ূম মৈ থানবা, মী ফাজিন্নবা, হাৎনবা, লম্বী থিংবনচিংবা থবকশিং অসি য়ান্না তোয়না চত্থরক্লে। মসিদি য়েংদুনা লৈবগী মতমদু ওইরক্তে। লৈঙাক্কী মীনুংশিদু খরা মখৈদি হন্দোকপা চূম্লে। ঙাইহাক লৈতনা খুল ২গী মরক্তা ঈরাং থোক্লকপদা মদুবু নমথননবগী পাম্বে অমা ওইনা মহৌশাদগী শীজিন্নরকপসি অরানবা তৌবা খুঙ্গংশিং অদুদগী কল্লেক্তিভ ফাইন লৌবসিনা ওইরম্মী। ভারতিয়া ন্যা সনহিতা (বি এন এস)কী সেক্সন ১৮৯গী মখাদা মী পূনবা য়াদে হায়বগী অথিংবদু থুগায়রগা খুলশিং অদুদা সেক্সন ১৯১গী মখাদা কল্লেক্তিভ ফাইন লৌননবা থবক পায়খৎপগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি মখোয় মশেল য়ূম মৈ থানরগা লৈঙাক্লা মরাল লৈবশিং ফাবগী মহুৎতা নৌনা য়ূম শাবীবগী থবক চত্থদুনা লৈরগদি য়ূম মথং মথং অদুম মৈ চাক্লকখিগনি। মসি তৌহল্লোই হায়বা তারগদি খ্বাইদগী লূম্বা চৈরাক ফংহনগদবনি। মসিগীসু মথক্তা ঈরাং থোকহল্লিবা খুলশিং অদুদগী কল্লেক্তিভ ফাইন লৌগদবনি হায়জনিংই।

Quantum UNIVERSITY
ROORKEE, INDIA
The No. 1 Educational Institution of North India

ADMISSIONS 2026


- MBA / BBA / BBA+MBA
- B.Tech (CSE) with specialisation in Data Science / AI-ML/ Cyber Security / Full Stack / Cloud Computing
- B.Tech (ECE) with specialisation in Semiconductor
- BCA / MCA
- B.Com / B.Com (Accounting & Taxation)
- B.Sc (PCM/CBZ/Biotechnology)
- BMRIT (Bachelors in Medical Radio & Imaging Technology)
- BMLT (Bachelors in Medical Laboratory Technology)
- BPT (Bachelors of Physiotherapy)
- BHM (Bachelors in Hotel Management)
- B.Sc (Nutrition & Dietetics)
- M.Sc / B.Sc (Agriculture)
- BA LLB / BBA LLB

and many more ...

QUANTUM - Extraordinary things happen here !
100% Placement Assistance
Over 200 students studying from North East India
300 Companies Visited | 672 Placement Drives
Highest 33.5 Lac Salary Packages
Arts | Music | Sports | Theatre | Photography | Placement Support Group
Community Service | Creative Writing | Debate | Literary Society

www.quantumuniversity.edu.in
+91 9366040075
Sagolband Tera Sayang Leirak Machin, Near Kebol School
Imphal West - 795001
Apply Now
Scan the QR Code

## WAYEL CROSSWORD



**ACROSS**

1 Minor road (4,6)
5 Historical records (6)
9 Honing block (9)
10 In bad taste (5)
11 Downpour (9)
13 African antelope (5)
14 Worthwhile, productive (9)
18 Vague idea (7)
19 Fish's breathing organs (5)
21 Remove errors from software (5)
22 Go one better than (7)
25 Hawaiian garland (3)
26 Dry humour (5)
27 One under par (6)
29 Onto dry land (6)
33 Respond (5)
34 Public transport vehicle (3)
35 Discern (4,3)
36 In accordance with (2,3)
37 Unlocks (5)
39 Take advantage of (7)
40 Long slender cigar (9)
43 Custom (5)
46 Mistake (9)
49 To any degree (2,3)
50 Underskirt (9)
51 Entreaty (6)
52 Necessary items (10)

**DOWN**

1 Popular picnic food (6,3)
2 Woodland spirit (5)
3 Opera composer (7)
4 Pacific island (6)
5 Church table (5)
6 Microscopic organism (6)
7 Working animal (8)
8 Scrape, scratch (5)
12 Humblest (7)
15 Checkout operator (7)
16 Fertilised egg (6)
17 Numbers (7)
20 Easy-going (4-4)
23 Congregate (8)
24 Mass departure (6)
25 Supple (6)
28 Copy (7)
30 Remote settlement (7)
31 Keep raised with a support (4,2)
32 Canadian city (7)
38 Unabashed (9)
39 Country bordering Somalia (8)
41 Bedtime garment (abbr.) (7)
42 Moon-related (5)
44 Circus site (3,3)
45 Make, devise (6)
47 Spoken (5)
48 Barb, insult (5)

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | I | D | E | S | T | R | E | E | T | ■ | A | N | N | A | L | S |
| C | ■ | ■ | ■ | A | ■ | O | ■ | ■ | A | ■ | L | ■ | ■ | M | ■ | H |
| O | ■ | S | ■ | T | ■ | S | ■ | W | H | E | T | S | T | O | N | E |
| T | A | C | K | Y | ■ | S | ■ | ■ | I | ■ | A | ■ | ■ | E | ■ | E |
| C | ■ | U | ■ | R | A | I | N | S | T | O | R | M | ■ | B | ■ | P |
| H | ■ | F | ■ | ■ | ■ | N | ■ | ■ | I | ■ | ■ | E | L | A | N | D |
| E | F | F | E | C | T | I | V | E | ■ | F | ■ | E | ■ | ■ | ■ | O |
| G | ■ | ■ | ■ | A | ■ | ■ | ■ | M | ■ | I | N | K | L | I | N | G |
| G | I | L | L | S | ■ | D | E | B | U | G | ■ | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | A | ■ | H | ■ | ■ | ■ | R | ■ | U | P | S | T | A | G | E |
| L | E | I | ■ | I | R | O | N | Y | ■ | R | ■ | T | ■ | S | ■ | X |
| I | ■ | D | ■ | E | ■ | ■ | ■ | O | ■ | E | ■ | ■ | ■ | S | ■ | O |
| S | ■ | B | I | R | D | I | E | ■ | A | S | H | O | R | E | ■ | D |
| S | ■ | A | ■ | ■ | ■ | M | ■ | P | ■ | ■ | ■ | U | ■ | M | ■ | U |
| O | ■ | C | ■ | T | ■ | I | ■ | R | E | A | C | T | ■ | B | U | S |
| M | A | K | E | O | U | T | ■ | O | ■ | ■ | ■ | P | ■ | L | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | R | ■ | A | S | P | E | R | ■ | O | P | E | N | S |
| E | X | P | L | O | I | T | ■ | U | ■ | ■ | ■ | S | ■ | ■ | ■ | H |
| T | ■ | ■ | ■ | N | ■ | E | ■ | P | A | N | A | T | E | L | L | A |
| H | A | B | I | T | ■ | ■ | C | ■ | ■ | I | ■ | ■ | ■ | U | ■ | M |
| I | ■ | I | ■ | O | V | E | R | S | I | G | H | T | ■ | N | ■ | E |
| O | ■ | G | ■ | ■ | O | ■ | E | ■ | ■ | H | ■ | A | T | A | L | L |
| P | E | T | T | I | C | O | A | T | ■ | T | ■ | U | ■ | R | ■ | E |
| I | ■ | O | ■ | ■ | A | ■ | T | ■ | ■ | I | ■ | N | ■ | ■ | ■ | S |
| A | P | P | E | A | L | ■ | E | S | S | E | N | T | I | A | L | S |

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 2 | 4 | 7 | 9 | 5 | 6 | 1 |
| 7 | 6 | 4 | 1 | 3 | 5 | 9 | 8 | 2 |
| 1 | 9 | 5 | 8 | 2 | 6 | 7 | 4 | 3 |
| 5 | 7 | 6 | 3 | 9 | 4 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 2 | 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 9 |
| 6 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 | 1 | 9 | 5 |
| 2 | 5 | 8 | 9 | 4 | 1 | 6 | 3 | 7 |
| 9 | 1 | 7 | 5 | 6 | 3 | 8 | 2 | 4 |

ঔ'ফিস/Admission Notice/675
24th August, 2026

**Free Online Coaching Support for Competitive Examination Preparation (UPSC | SSC | Banking)**

The Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE), Government of India, in collaboration with Physics Wallah Foundation, invites applications from eligible students (SCs, OBCs, EWSs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) through Manipur University for imparting free online coaching support for preparation of competitive examinations.

This initiative aims to strengthen access to quality preparatory resources and support aspirants from socially disadvantaged backgrounds in enhancing their career opportunities through structured coaching and mentorship.

**Courses Offered**

1. UPSC Civil Services Examination Preparation
2. SSC Examination Preparation
3. Banking Examination Preparation

**Programme Support Includes**

- Structured online learning modules
- Live and recorded classes
- Comprehensive study material
- Test series and practice assessments
- Previous year question paper support
- Doubt-solving sessions
- Mentorship and counselling support

**Eligibility**

Students belonging to the following categories may apply:

- Scheduled Castes (SC)
- Other Backward Classes (OBC)
- Economically Weaker Sections (EWS)
- Beneficiaries under the PM CARES Children Scheme
- (Note: (a) Students belonging to SCs, OBCs and EWSs, having total ***family income of Rs. 8.00 lakh or less per annum*** from all sources will be eligible for benefits under the initiative. There will be no income or caste-related restrictions for beneficiaries of the PM CARES Children Scheme to avail of the benefits under this initiative.
- Educational Qualification: Class XII passed or above
- Age limit: 35 years and below
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE) or PW Foundation or Manipur University.

**Mode of Delivery**

- Entire programme shall be delivered in online mode by PW Foundation.
- Selection and enrolment shall be undertaken through Entrance Examination conducted by Dr. Ambedkar Centre of Excellence, Manipur University.

**Seats Available**

A total of 749 students shall be selected in 3 courses: UPSC CSE Preparation-225, SSC Examination Preparation-374 and Banking Examination Preparation-150.

**Reservation**

SC-65%, OBC-23%, EWS-10%, Transgender-1% and PwD (Divyangjan)-1% (**extra seats for PM CARES Children**).

**Application Form Submission Fee**: Rs. 50/- (Fifty) only payable at **A/C. 41348009468, Name of Account Holder: DACE MU, Bank Branch: SBI Manipur University Campus, IFSC: SBIN0005320**

**Application Process**

Eligible students (SCs, OBCs, EWSs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme) will be selected by Manipur University through Entrance Test.

**Submission of Application Form**

Candidates should submit the application form through Google Form in the given link https://forms.gle/Z7iKDuEd2g9zMrFB6

**Required documents to be uploaded**

1. Mark sheet and certificate of highest educational qualification in a single file
2. Age proof certificate (Class X certificate)
3. Valid SC/OBC/EWS/Transgender/PwD/PM CARES certificate.
4. Valid Income certificate not older than one year from the date of publication of this notification.
5. Recent passport photo of the candidate
6. Scanned signature of the candidate
7. Fee Payment receipt

**Important Dates:**

- Last date of Online Application Form submission: **11.09.2026**
- Submission of printed hard copy of the Google Application Form along with necessary documents: on or before **4PM of 15.09.2026** at the Office of Dr. Ambedkar centre of Excellence, Manipur University
- Date of Issue of Admit Card in respective emails of the candidates: **16.09.2026**
- Date of Entrance Exam: **19.09.2026 (Time: UPSC-CSE 10AM to 12 Noon, SSC 1PM to 2 PM, Banking 3PM to 4 PM)**
- Date of declaration of result: **21.09.2026**
- Entrance Examination Centre: Manipur University

**Syllabus for Entrance Examinations**

- UPSC CSE Preparation: UPSC-CSE Prelim GS Paper-I syllabus
- SSC: SSC CHSL Tier-I syllabus
- Banking: Phase-I syllabus of SBI Junior Associates

**Important Note:**

- This programme is being implemented under a non-financial collaborative arrangement and shall not be construed as a Government scheme or direct financial benefit.
- Selection of candidates shall be undertaken by the Manipur University as per prescribed selection norms.
- No stipend or financial assistance shall be provided to the students enrolled under this initiative either by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE) or PW Foundation or Manipur University.
- This is a separate initiative and not a part of the Free Coaching Scheme for SCs, OBCs and beneficiaries of PM CARES Children Scheme implemented by Ministry of Social Justice & Empowerment (MoSJE)

For further information and enrolment updates, students may refer to Manipur University website.

Sd/- Prof. M. Premjit Singh
Registrar

WK2/59/ 26 and 27,Aug (MU Bill)

Manipur University
Canchipur : Imphal

No.MU/3/Adm/Aca/24:/C76

Dated the 25th August, 2026

**ADMISSION NOTICE**

No.MU/3/Adm/Aca/24: Online applications are invited for admission into the following programmes for the academic session 2026-27:

I. **Admission to Undergraduate & Integrated Programmes through non-CUET mode to Fill the Remaining Category-wise Vacant Seats**

| Sl. No | Programmes | UR | OBC | SC | ST | EWS | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 01. | B.Voc.in Food Processing and Quality Management (3-year Degree Programme) | - | 05 | 01 | 09 | 03 | 18 |
| 02. | Bachelor of Physical Education & Sports (BPES) (4-year Degree Programme) | 17 | 10 | 1 | 18 | 6 | 52 |
| 03. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Dance. | 03 | 06 | 01 | 10 | 04 | 24 |
| 04. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Hindustani Music | 13 | 06 | 01 | 10 | 04 | 34 |
| 05. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Japanese | 12 | 09 | 01 | 15 | 05 | 42 |
| 06. | Five-year Integrated B.A./M.A. in Korean | 09 | 09 | 01 | 15 | 05 | 39 |
| 07. | Five-year Integrated B.Voc./M.Voc. in Tourism and Hospitality Management | 05 | 06 | 01 | 11 | 03 | 26 |
| 08. | Five-year Integrated B.Voc./M.Voc. in Retail Management and Foreign Trade | 08 | 06 | 01 | 11 | 03 | 29 |

II. **Admission through Lateral Entry into 7th Semester**

1. Five -year Integrated B.A./M.A. in Dance
2. Five -year Integrated B.A./.M.A. in Hindustani Music

**Eligibility Criteria**: Kindly check the e-Prospectus 2026-27 available at university website: https://www.manipuruniv.ac.in/ for Minimum Eligibility Criteria, Programme-Specific Eligibility and Intake seats.

**How to Apply:** Interested candidates are required to apply online through the Manipur University Admission Portal https://manipurunivadm.samarth.edu.in/2026/

**General Instructions :**

1. Before filling up of online applications, applicants must read the e-Prospectus and instructions carefully and follow them strictly.
2. An application fee of Rs. 300/- for UR/OBC/EWS candidates and Rs. 200/- for ST/SC/PwD candidates are to be paid online using Debit Card/Credit Card/Net Banking/UPI only.

**Selection Criteria :** It shall be announced by the concerned departments of the University.

**Important Dates :**

| | |
|---|---|
| Start of Online Submission | 26th August, 2026 |
| Last Date for Online Submission | 31st August, 2026 (23:59:59 hours) |

(Prof. M. Premjit Singh)
Registrar

WK2/60/ 26 and 27,Aug (MU Bill)

## কর্নেল মাইস্নাম শামু সিংহ, লুৱাং নিংথৌ–১

কর্নেল শামু হায়রগা হেন্না খঙনবা মাইস্নাম শামু সিংহ, লুৱাং নিংথৌ মাইস্নাম গৌরশ্যামনা পোকপনি। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ পোকপী মহারাণি কুমুদিনিগীনা মৌপ্পানি। মতম অমদা অরাম্বম নিত্যাইনন্দা লৈকায় হায়না খঙনরম্বা হৌজিক্লা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ওফিস লৈরিবা মফম অসিদা লৈরি। ময়ুম মকৈ পানবগী মতম য়ৌরক্লবদা শাজৌবা সেনাপতি এলাইজ সৌরেন্দ্রজিৎকী মচাইবেম্মা সনাচাওবী ওর্ফে ধাকেন্দ্রনী দেবীগা য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাখি। সনাচাওবী য়ান্না ঙন্না জগোয় ঈশৈ কয়া থৌগল তৌরকই, মদুনা মরম ওইদুনা মমৈদদি মহাক রাস সূত্রধারীফাওবা ওইখি। কর্নেল শামুনা মচানুপা ৫, মচানুপী ১, পুন্না ৬ থনম্মী। খ্বাইগী অতোনবা মচানুপা অমুবী জগোয় অমসুং নাৎকী লমদা লৈবাক মীয়ান্না গুরু অমুবি হায়না খঙনবা গুরুনি।

কর্নেল শামু শা লানগী বিদ্যা হৈবতা নত্তনা পুং থিনবসু য়ান্না হৈ। ব্যবহার য়ান্না ফজে। মহাক্কী ৱাঙাংনা মীবু খোল্লি। মরম অদুনা কোনুংদা য়ান্না ঙন্না থৌগল তৌরকই। মহাক অহল্লূপ পানাগী শেলুংবা ওইরম্মী, পুং পালাগী হঞ্জবসু ওইরম্মী। গোবিনাথ অমসুং ব্রজনাথ মন্দির অনী লীংখৎতুনা নুংতিগী সঙ্কির্ত্তন তৌই, অমসুং মহাক্লা পুংগী থৌগল তৌই। মতম অদু চহী ৭ খুন্তাক লানশিরুরবগী মতুংদা প্রজা মীয়ামগী পুন্সি অমুক হন্না তংদু লৈতানা লৈরক্লবা, লল্লোন–ইতিক, লৌউ–শিংউ, শু–নোম্বগী লমদা অমসুং কলাগী লমদা চাওখৎলক্লবা মতমনি। দাকঘর লোইশঙ লীংখৎতুনা ভারতকী মফম কয়াগা চিঠি থাদোক থাজিন তৌনরবা, মদুগী মথক্তা ফোটোগ্রাফি হৌরবা মতমনি। মণিপুরদা উগী থোং মহুৎতা চেক্কী থোং শাবা হৌরবনি। ফৌ চেঙ মরাং কায়না হাপ্পা ইমুং ওইবনা নুংঙাই য়াইফনা অৱাবা মশক খঙদনা য়ান্না নুংঙাইবা পুন্সি অমদা লৈরকই। অঙম অথৌশিংগী মরক্তা ফাগি তৌনবদা মহাক্লা অসুন্না হায়, ' মহাক্কী কৈন্দা হাপ্পা ফৌ মণিপুরগী প্রজা পুন্নমক নুমিৎ ৫নিদি থাকপা কোন্নগনি।' –চোংথাম তোম্বা সিংহ

Owned, Published & Edited by **Ningombam Hemantakumar** & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. **9856088733**